## সেন্টরনা চিনাগা মান্ননা থবক পীবা ঙমগদৌরিব্রা ঃ রাহুল গান্ধী



***বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ৮ ঃ***

নহারোলশিংগী থাজবা অদু মাঙহন্দনা সেন্টর লৈঙাক্না চিনাগা চাংদম্নদুনা থবক শেম্বা নৎত্রগা থবক পীবা ঙমগদৌরিব্রা হায়না কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হংখ্রে। লাক্কদৌরিবা চহী ৩০ অসিদা চিনানা হীরম খুদিংমক্তা চাংদম্নরক্কদৌরি। লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা মীওইশিংগী থাজবা মাঙহন্দবা হায়বদু থবক শেম্বা নৎত্রগা থবক পীবা অদুনি। চিনাগা চাংদম্নদুনা নহারোলশিং থাজবা ঙাকপা ঙমগদৌরিব্রা ? তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমশিং অসিদা থবক শেম্বা নৎত্রগা পীবা হায়বা অদু মরু ওইবা ইশু অমা ওইরগনি।

অহোংবা অমা পুরক্লবগীদমক পূক্নীং ৱাখল হোংগদবনি। গ্রিন রিবোলুসন অমসুং টেলিকোম সেক্টর চাওখৎহনবগী মাঙওইননা ফিভম অমা শেমগৎকদবনি হায়না বেঙ্গলুরুদা ঙসি ললোন ঈতিক তৌবা মীওইশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবা অদুনা হায়, লৈবাক অসিবু চাউখৎহনবদা অপীকপা ললোন ঈতিক তৌবশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। থবক শেম্বা ওইনা অদুগুম্বা অপীকপা ললোন ঈতিক তৌবা মীওইশিং অদুবু সেন্টরনা শৌগৎকদবনি।

অচৌবা অমসুং অপীকপা ইন্দষ্ট্রিশিংগী মীৎয়েং অমসুং মচাক মথুম খেন্নবা লৈ। লোয়নননা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েং লৈগনি হায়খি। অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, থা খরগী মতুংদা কংগ্রেস পাটিনা অনৌবা নেসনেল মেনিফেষ্টো দ্রাফ তৌবা হৌরগনি। নেসনেল মেনিফেষ্টো অদু শোয়দনা থা খরগী মনুংদা পুথোক্লবা থৌশিল পায়খৎলি।

কংগ্রেস পার্টি মনুংদা নেসনেল মেনিফেষ্টো পুথোক্লবগী মতাংদা খন্নবা লৈরে। মদু অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়খি। কংগ্রেস পার্টিনা হৌজিক ওইরিবা জি এস টি গী মওং অসি য়াবা ঙমদে। কংগ্রেস পোর্টিনা শেঞ্জা থুমজা লাকশিন্নবা থা অমগী টেক্স থম্মনবা তকশিনখিবনি। ৱান লাইয়ার জি এস টি লৈহল্লবদি শেঞ্জা–থুমজা লৈবা ঙম্লোই। করিগুম্বা কংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রক্লবদি বি জে পি না হৌজিক চৎনহল্লিবা জি এস টি অমুক হন্না য়েংশিনগনি।

ইন্দিয়াদা চৎনরিবা জি এস টি অসি পাকিষ্টান অমসুং সুদানদা চৎনরিবা মওং অদুগা মান্নে। মদু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী কমপ্লেক্স ওইবা টেক্স রেজিম অমনি। মলেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না কমপ্লেক্স ওইবা টেক্স রিজিম অদু ইন্দিয়াদা চৎনরিবা জি এস টি অসিনা ওইরে। মরম অদুনা হৌজিক ওইরিবা জি এস টি গী মওং অসি হোংদোকপ তঙাই ফদে। মমাঙদা অসিগুম্বা টেক্স মখল অসিবু গববরসিং টেক্স হায়না মিংথোন পীখিবনি।

এন দি এ গী বুলেট ট্রেনগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা রাহুল গান্ধীনা হায়, প্রোজেক্ট অদু মীয়ামদা উৎ চাইবনি। চপ চানা ৱাখল য়েৎনবা অমা ওইদে। হৌজিক ফাওবদা প্রোজেক্ট অদুগীদমক লুপা লাক্ষ ক্রোর অমরোম চাদিং তৌখ্রবনি হায়খি।

## মহারাষ্ট্রদা শিব সেনাগী লুচিংবা অনী হাৎলম্লে

***অহমেদনাগর, এপ্রিল ৮ ঃ***

মহারাষ্ট্রগী সিবিক বাই ইলেক্সনগী রিজন লাওথোকখ্রবা মতুং অহমেদনাগরগী কেরগাওদা শিব সেনাগী লুচিংবা অনী ঙরাং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

লৈখিদ্রবা শিব সেনাগী লুচিংবশিং অদুগী সঞ্জয় কোটকর অমসুং ভাসন্ত অনন্দ দুবেনি। মখোয় থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.১৫ রোম তাবদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না সঞ্জয় অমসুং ভাসন্ত অনন্দ য়াম্না নকপা মফমদগী মোতোর সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই অনীনা নোংমৈনা কাপলম্বনি।

অহমেদনাগরদা পাঙথোকখিবা সিবিক বাই পোলগী পল হেক লাওতোকখিবা মতুং অরানবা তৌবশিং অদুনা মীওই অনী অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি হায়রি।

## যোগি অদিত্যনাথকী যূম মনাক্তা নুপীমচ অমা মথন্তা শিজনবা হোৎনরম্লে

***লক্ষনৌ, এপ্রিল ৮ ঃ***

নহা ওইরিবী নুপী অমা অমসুং মহক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথকী লক্ষনৌদা লৈবা যূমগী মনাক্তা মথন্তা শিজনবা হোৎনরম্লে। নুপী অদু বি জে পি গী এম এল এ অমনা মমাঙ চহীদা ইজৎ মাঙহনবিরমখি। হীরম অদুগী মতাংদা পুলিসনা থবক অমত্তা লৌখৎলু য়াদে হায়না মরাল শীরক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না বি জে পি গী উনাওদগী কারকখিবা এম এল এ কুলদিপ সিংহ সেঙ্গর অমসুং মহাক্কী মনাওনুপানা মমাঙ চহীগী জুন থাদা ইজৎ মাঙহনবগী থৌদোক অদু চথখিবনি। নুপী অদুনা মহাক্কী ইমুং মনুংগা লোয়নননা পুলিসতা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎলুবগী মতাংদসু কিহল্লকপা লৈখ্রে। মরাল লৈরবা এম এল এ অদুগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎপিনবা নুপী অদুনা তকশিনলক্লি।

## আধারগী মতেংনা ৱাখল তাদ্রবী নুপী অমা ইমুং মনুংদা শিন্নবা ঙমখ্রে

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৮ ঃ***

ৱাখল তাদ্রবী নুপী অমা ন্যু দিল্লিগী লম্বী মতাইদা লৈরম্বদগী পুলিসনা কন্দুনা মহাক্কী বাইওমেত্রিক রেকোদ য়েংশিল্লব মতূং ইমুং মনুংদা শিন্নবা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না চহী ৩১ রোম শুরবী নুপী অদু থা মরিগী মমাঙদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। পুলিসনা নুপী অদু লৌখৎলবা মতূং কোর্টকী য়াথং মতূং ইন্না সোর্ট ষ্টে হোমদা থমদুনা আধার রেজিষ্ট্রেসন অমদি খোঙগুন লিননবা থবক পায়খৎলি। নুপী অদুগী বাইওমেত্রিক রেকোর্দ হান্ননা লৈরম্বা থেংনবগা লোয়নননা আধার দাতা বেজ কূপ্পা য়েংশিল্লি। য়েংশিনবা অদুনা পুলিসনা নুপী অদুগী চপ চাবা খোঙ্গুল খঙবা ঙমখি।

নুপী অদু রাজস্থানগী অলৱার দিষ্টিক্তগী ওইরমখি মহাক মাঙখিবগী মিশিং রিপোর্ট অমসুং মলাখেরা পুলিস ষ্টেসনদদা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

## অরুন জেটলি দাইলাইসিস তৌখ্রে, কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌরগনি



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৮ ঃ***

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইনসেস (এইমস) তা দাইলাইসিস পাঙথোকখ্রে, নুমিৎ খরনিগী মনুংদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌরবা য়াই হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

জেটলি কিদনি ট্রান্সপান তৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা নুমিৎ খরনিদি দাইলাইসিস তৌখিগনি। কিদনি ফেল ওইখ্রবা মতূং ঈদা য়াওরিবা ফৎতবা অমসুং তোক্সিনশিং শেংদোক্লবগীদমক দাইলাইসিস তৌবা মথৌ তাই মদু নৎত্রবদি কমপ্লিকেসন কয়া থোক্লকপা য়াই লোয়নননা সর্জরি তৌবা অমদি ট্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতূং ফগৎলকপা ৱাবা য়াই।

চহী ৬৫ রোম শুরবা মিনিষ্টর অদু ট্রান্সপ্লান্ট তৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা কয়ারক দাইলাইসিস তৌখিগদগে হায়বা খঙবা ঙমদে হায়নসু হোস্পিটাল ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখি।

কিদনি দান তৌগদৌরিবা মীওই অদুগা হৌনবী মতূং ইন্না তৌফম থোকপা চাংয়েংশিং তৌননবা মিনিষ্টর অদু হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা হোস্পিটাল অদুদা লাকখিবনি।

এইমসকী কার্দিও–ন্যুরো তাৱারদা লুচিংবা অদু ইরাই নুমিৎতা এদমিৎ তৌদুনা লৈরক্লি। দোনর অমসুং জেটলিদা তৌফম থোকপা চাংয়েংশিং পায়খৎপা হৌখি। অদুম ওইনমক কিদনি পীগদৌরিবা মীওই অদুগী মশক মমিংদি হৌনবী মতূং ইন্না লোৎশিন্দুনা থম্লে হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা ইমুং মনুংগী হন্দক অমসুং রাজনিটিগা মরী লৈনদবা মরুপ মপাং কয়া উন্নবগী খুদোংচাবা পীখি। অদুম ওইনমক নোংমাইজিং নুমিত্তদি অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়নননা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াবদগী ঙাকথোক্লবা মীওই অমতগা উন্নহন্দনা থম্লে হায়রি।

কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী ওপরেসন অদু এইমসকী সেনিয়ার ডাক্তর ভি কে বনসাল সন্দিপ বুলেরিয়া, এপোলো হোস্পিটালগী স্পেসিয়েলিষ্ট অমা এইমসকী ডাইরেক্তর রনদিপ গুলেরিয়ানা পাঙথোক্কনি হায়রি।

চয়োল অমগী মমাঙদগী লুচিংবা অদু মীয়াম মরক্তা চঙদনবা অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদা চখোক্তনবা খঙহনখিবসু লৈখি। লোয়নননা মথং চয়োলদা লনদন্দা পাঙথোক্কদবা এনুৱেল ইকোনোমিক্স দাইলোকসু কেন্সেল তৌখ্রবনি হয়রি।

## ইঞ্জিন য়াওদনা ট্রেন অমা কিলোমিটর ১০ শাংনা চৎলম্বগীদমক রেলৱে ষ্টাফ ৭ সস্পেন্দ তৌখ্রে

***ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ৮ ঃ***

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ইঞ্জিন য়াওদনা ট্রেন অমা কিলোমিটর ১০ শাংনা চৎলম্বগা মরী লৈননা রেলৱে ওফিসিয়েল ৭ সস্পেন তৌখ্রে।

অহমেদবাদ–পুরি এক্সপ্রেস ট্রেন অদু অঙকপা মওংদা ইঞ্জিন নান্তোকহৌরবা মতূং ট্রেন অদু চেনখিবনি। ইঞ্জিন য়াওদ্রবা বোগি ২২ অদুদা পেসেঞ্জর থন্না তোংলিবনি। বোগিশিং অদু কিলোমিটর ১০ শাংনা চৎখিবদগী ষ্টাফশিংনা রেললৱে টেক্তা নূং ইনশিন্দুনাত্রেল অদু লেপহন্নবা হোৎনখি। অঙকপা থৌদোক অদুদা খুদোংথিবদি থোকহৌদে খুদক্তা রেলৱে ওফিসিয়েল অনী সস্পেন তৌখি। মখা তানা য়েংশিললবা মতূং অতোপ্পা ওফিসিয়েল মঙাসু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সেস্পন তৌখ্রে হায়রি।

উরিষ্যাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদগী কিলোমিটর ৩৮০ রোম চৎলগা লৈবা টিত লাগর ষ্টেসন্দগী ইঞ্জিন য়াওদনা ট্রেন অদু চৎখিবনি। ট্রেন অদু কলাহন্দি দিষ্ট্রিক্তকী কেসিঙ্গা তম্না চৎননবগীদমক ইঞ্জিন অদু দিটেচ তৌদুনা অতোপ্পা মনীংদা পানশিল্লুনবা হোৎনরিঙৈদা ট্রেন অদু চৎখিবনি হায়রি।

ঙমতক তৌবা অমদি চুমদ্রিং চুম্বা রেলৱে ট্রেক্ট অদুদা শোয়বদগী বোগিশিং অদু কিলোমিটর ১০ রোম শাংনা চেন্থখিবনি। রেলৱে ষ্টাফশিংনা বোগিশিং অদুগী চকাদা হাপকদবা স্কিদ–ব্রেক শোয়বদগী পানশিল্লমদবনি হায়রি। অতোপ্পা ট্রেন অদুগী অতোপ্পা মতোন অমদা ইঞ্জিন অদু পানশিন্নবা লৌথোকপা মতূং খাম্বা ঙমদনা বোগিশিং অদু চেন্থখিবনি হায়রি।

## সিরিয়া লান ঃ দৌমাদা কেমিকেল এটেক্ট চথরকপনি চিংনবা থৌদোক্তা মীওই ৭০ শিরে



***দমাস্কস, এপ্রিল ৮ ঃ***

সিরিয়াগী নোংপোক থংবা ঘৌটাগী দৌমাদা কেমিকেল এটেক্ট চথরকপগী চিংনবা থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৭০ শিখ্রে। এটেক্ট অদুদা শোক্লবা মীওই কয়া মী কনবা কাঙবুনা থেংনখিবগা লোয়নননা অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা কেমিকেল এটেক্ট ওইরম্বা য়াই হায়রিবা ৱাফম অদু কদায় ফাওবা চুম্লবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়, রুসিয়ানা সিরিয়া লৈঙাক্তা মতেং পীশিল্লিবা অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুগী দাইত্ব পুগদবনি। লমদম অদুদা কেমিকেল এটেক্ট চথরকপগী খুদম ফংলে হায়না তোঙান তোঙানবা মেদিকেল, মোনিটরিং অমসুং এক্টিভিষ্ট কাঙলূপশিংনা রিপোর্ট তৌরক্লি। মীওই ৭০ রোম শ্বর ফুন্দুনা শিখ্রে অদুগা কয়ানা শ্বর হোনবা ৱাবগী নুংঙাইতবা মায়োক্নরি হায়না লমদম অদুদা মী কনবগী থবক পায়খৎলিবা হ্বাইট হেলমেটকী লুচিংবা রেদ অল–সালেনা ফোঙদোরক্লি।

অহানবা ওইনা ফংখিবা পাউদা মীওই ৭০ শুখ্রে। অদুম ওইনমক খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদবা মীগী মশীং ১৫০ হেনগনি হায়রি।

ওপোজিসন শৌগৎপা ঘৌটা মেদিয়া সেন্টরনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা শ্বর ফুন্দুনা শিখিবদা মীগী মশীং ৭৫ হেনখ্রে। কেমিকেল এটেক্কি চিংনবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবা মীওই লীশিং অমরোম শ্বর ফুনবগী অৱাবা মায়োক্নরি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না সেরিন হায়না খঙনবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা নার্ভ এজেন্ট য়াওবা বেরেন বোম অমা হেলিকোপ্টরদগী থাদরম্বনি হায়না মরাল শিরি।

য়ুনিয়ন ওফ মেদিকেল রিলিফ ওর্গনাইজেসন কৌবা য়ু এস তা বেজ তৌবা কাঙবু অমনা সিরিয়াগী হোস্পিটালশিংদা মথৌ তৌরি। ওর্গনাইজেসন অদুগী মতূং ইন্না থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশীং ৭০ শুখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা লায়কন্নরিবা মীওইশিং অদু পোত্থাফম খঙদবা অমসুং ময়াদগী কোঙ্গোল কারপা থেংনরি।

অহিং চুপ্পা সেল লেপ্পা লৈতনা কাপশিল্লকপনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা নংলবা মীওইশিং মতেং পীবা ঙমদ্রি। নাকল অমরোমদা সিরিয়া লৈঙাক্না চলাইবা শানা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা দৌমা হায়রিবা মফম অদু জৈস অল–ইস্লামনা খুদুম চন্দুনা লৈবা মফমনি। টেরোরিষ্টশিং অদুনা মখোয়গী খুভম ঙাকপা ঙমদবগা লোয়নননা কেমিকেল এটেক্ট চথরকই হানা মরাল শিবা ওইগনি হায়রি।

## ট্রম্প টৱার মৈ চাকপদা মীওই অমা শিরে



***ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ৮ ঃ***

ন্যু য়োর্কতা লৈবা ট্রম্প টৱার মৈ চাকপদা মীওই অমা শিরে অদুগা ফাইয়ার ফাইটর মরিনা অশোক–অপন নংখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অমদি টৱার অদুদা লৈবনি। মহাক মৈনা চাক্তুনা শোক্লবা মতূং হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবদা লৈখিদবনি হায়রি।

মৈ চাকখ্রবা টৱার অদুদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী যূম অমসুং ওফিস লৈ। অদুম ওইনমক ফাষ্ট লেদি মেলানিয়া অমসুং মহাক্কী মচানুপা পেরোনদি হৌজিক হৌজিক ৱাসিংটন দি সি দা লৈখি হায়রি।

অৱাংবা টৱার অদুগী ৫২ শুবা মথোন্দগী মৈ অদু হৌরকখিবনি। করম তৌনা মৈ অদু হৌরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। রিন হুইস মিন টাইমগী পুং ২২ রোম তাবদা ৫০ শুবা মথোল অদুদগী অমুবা মৈখু অমদি মৈরি কারকপা উখি।

মিনিৎ ৪৫ গী মতুং অমসুং মী শিবগী পাউ লাক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা প্রসিদেন্টনা মৈ চাক্লে হায়না ট্যুটরদা ফোঙদোরকখি।

ট্রম্প টৱার অদুদা হৌরকখিবা মৈ অদু ফাইয়ার ফাইটরশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়নননা অতোপ্পা এপার্টমেন্টশিংদা শন্দোকহনখিদে। মদুগীদমক ফাইয়ার মেনশিংবু থাগৎপা ফোঙদোই হায়রি।

ফাইয়ার ফাইটরশিংনা থৌনা ফনা ৫০ শুবা অমসুং মৈ চাক্লিবা মথোল অদুদা চঙশিন্দুনা মৈ মুত্থৎনবা হোৎনখি। লোয়নননা মনুংদা অরুবা ফিভমদা লৈরম্বা মীওই অমা পুথোক্লবা হোৎনখি। ওইরিবা ফিভম অদু অরুবা অমনি। মথোল ৫০ শুবা এপার্টমেন্ট অদু য়াম্না চাউবা অমনি। টৱার অদুগী ষ্টিয়ার কাখৎতুনা মথোল খুদিংমক থি–হুম্বগী থবক পায়খৎখি হায়রি।

## এম এল এ শিংগী তলব চাদা ৫০ হেনগৎনবা বিল পাস তৌখ্রে

***গুৱাহাটি, এপ্রিল ৮ ঃ***

এম এল এ শিংগী তলব চাদা ৫০ হেনগৎকদবা বিল য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা অসাম ষ্টেট এসেম্লিনা ইরাই নুমিত্তা পাস তৌখে।

স্পিকর হিটেন্দ্রনাথ গোশ্বামিনা ফোঙদোরকখিবদা এমিনিটিষ্ট এন্দ ফেসিলিটিষ্ট কম্মিটিনা এম এল এ শিংগী তলব হেনগৎপগী ৱাফম অদু য়েংশিল্লবা মতূং রিকমেন্ট তৌরকখিবনি।

হান্নগী চীফ সেক্রেটরী পি পি বর্মানা লুচিংবা পে কম্মিটিনা রিবাইস তৌরকপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। এক্ট অহুমগী মতূং ইন্না এসেম্লি স্পিকর, দিপ্যুটি স্পিকর অমসুং চীফ মিনিষ্টর লোয়নননা ওপোজিসন লুচিংবশিং, এম এল এ শিং অমসুং হান্নগী এম এল এ শিংগী পেন্সন এপ্রিল ১ দগী হেনগৎলগনি।

স্পিকর অমসুং দিপ্যুটি স্পিকরগী থাগী তলব মথং শিংনা লুপা লাক্ষ ১.২ অমসুং লুপা লাক্ষ ১ ওইরগনি। মদু হান্নদি লুপা লীশিং ৮০ অমসুং লুপা লীশিং ৭৫ ওইরম্বনি। চীফ মিনিষ্টরগী ওইনা হান্না লীশিং ৯০ ওইরম্বদগী লুপা লাক্ষ ১.৩ ওইরগনি। লোয়নননা এলাৱেন্স অনী তোঙান তোঙানবা কেটগোরিদা হাপকৎলকপগা লোয়নননা পুন্না চীফ মিনিষ্টরনা ফংগদৌরিবা থাগী শেলফম অদু লুপা লাক্ষ ১.৬৪ ওইরগনি হায়রি।

## ইন্দিয়ানা অরুনাচল প্রদেশতা চৎন–কাঙলোন থুগায়রে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

***টিবিথু, এপ্রিল ৮ ঃ***

ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা লাইফ ওফ একচুয়েল কন্ট্রোলদা মহৌশাগুম পেট্রোলিং চৎকনি। অমরোমদা চিনানা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা পেট্রোলিং তৌরিবা অদু চৎন–কাঙলোন অদু থুগাইবনি হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশকী অসাফিলাদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা পেট্রোলিং চৎপদা চিনাগী লান্মীশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু য়াবা ঙম্লোইদবা অমনি। ইশু অদু টিবিথুদা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১৫ দা পাঙথোকখবা বোর্দর পার্সোনেল মিটিং (বি পি এম) দা পুখৎখ্রবা ৱাফমনি মতম অদুদা ইন্দিয়ান আর্মিনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অদু অরুনাচল প্রদেশকী শরুক অমনি মফম অদুদা মমাঙদগী হৌনা পেট্রোলিং কয়া তৌদুনা লাকখ্রবনি। হন্দক চিনানা অসাফিলাদা পেট্রোলিং চৎপদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লিবা অদু অঙকপনি।



চিনাগী লান্মী কয়া ইন্দিয়াগী মনুং চনবা মফম অদুদা চঙশিল্লক্লম্বগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদুগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা অকনবা ৱাফম পুখৎখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

বি পি এম গী থৌশিল মখাদা নাকল অনীমক্কী আইন থুগাইবগী থৌওং চথরক্লবদি ৱাকৎপগী য়াবগী হক লৈ। লাইন এফ একচুয়েল পরীংদা লান্মীশংগী মরক্তা লান্না খন্নবগী থৌদোক কয়া থোকখিবসু লৈখ্রে।

অসাফিলাদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা পোট্রোলিং চৎপদা চিনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মিনা অখন্নবা য়েংশিল্লকপা লৈরি। লোয়নননা চৎন–কাঙলোন থুগাইরক্লে হায়না লৈবাক অনীগী লান্মীশিংগী মরক্তা উংখৎনবা থোকহন্নবা শিনবনি হায়না ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা ফোঙদোরক্লি।

চিনাগী প্রোটেস অদু য়ানিংদবা উৎলদুনা লান্মীশিংনা হায়, মখোয়না লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোলগী পরীংশিং চপ চানা খঙঙি। ঙমখৈ পরীং অদুদা লান্মীনা হেঞ্জিল্লুবা তৌদনা মখা তানা পেট্রোলিং চৎখিগনি হায়রি।

মমাঙ চহীদা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী লান্মীশিং নুমিৎ ৭৩ চূপ্না দোকলাম লমদমদা মুক্লবগী থৌদোক থোকখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 06/03/18
Valid : 28/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 15/02/18
Valid : 10/02/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 762.50/-

**Lambodara Indane**
Booking : 22/03/18
Valid : 16/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 09/03/18
Valid : 26/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 19/02/18
Valid : 01/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 10/03/18
Valid : 02/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 01/03/18
Valid : 27/02/18
Stk : 306/19kg 45
Time : 08.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 762.50/-

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 19/02/18
Valid : 11/02/18
Sl. No. 210055
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**RBD Gas**
Booking : 10/02/18
Valid : 01/02/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**TDK Gas, Sekmai**
Booking : 19/02/18
Valid : 17/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 19/02/18
Valid : 16/02/18
Sl. No. 3830
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 07/03/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 53420
Stk : 306
Delivery at Heinoupok Godown

**Lamsang Gas**
Booking : 08/02/18
Valid : 03/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 19/02/18
Valid : 04/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৩৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 7 | 8 | 4 | 3 | 1 | 5 | 9 |
| 8 | 9 | 3 | 6 | 5 | 1 | 4 | 2 | 7 |
| 4 | 1 | 5 | 9 | 2 | 7 | 8 | 3 | 6 |
| 2 | 7 | 4 | 3 | 8 | 9 | 6 | 1 | 5 |
| 5 | 6 | 8 | 1 | 7 | 2 | 9 | 4 | 3 |
| 9 | 3 | 1 | 4 | 6 | 5 | 7 | 8 | 2 |
| 3 | 4 | 9 | 2 | 1 | 6 | 5 | 7 | 8 |
| 1 | 5 | 6 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 4 |
| 7 | 8 | 2 | 5 | 9 | 4 | 3 | 6 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1135**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | | 8 | | | 1 | |
| | 9 | | | 7 | | | 6 | |
| 2 | 1 | | | | | | 8 | |
| | 7 | 6 | 9 | | 5 | | | |
| | 5 | | | | | | | 9 |
| | | | 1 | | | 5 | 3 | 4 |
| 1 | | | 3 | | | | | |
| 8 | | | | | | | 9 | |
| | 3 | | | 5 | | | | 7 |